১৬শুবা গভর্ণরস টাইক্কান্দো কপ লোইশিনখ্রে

# য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমিনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর টাইক্কান্দো এসোসিএসননা শীন্দুনা নুমিৎ ৪নি চুপ্পা চথরকপা ১৬শুবা গভর্ণর্স টাইক্কান্দো কপ ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখিবগা লোয়নননা য়ুনিয়ন টাইক্কান্দো একাদেমি কৈশামথোংনা গোল্ড ১৩, সিলভর ১৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৩১ পুন্না মেদল ৬৩ ফংলগা পোইন্ট ৩৪৪৪ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।



পাখংবা টাইক্কান্দো একাদেমিনা গোল্ড ২০, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ১৬ পুন্না মেদল ৪২ ফংলগা পোইন্ট ৩১৯০ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ অদুগা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিনা গোল্ড ১০, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ১২ পুন্না মেদল ৩১গী পোইন্ট ১৯৭৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিট ২৬তগী লাকপা নুপা শান্নরোয় ৪১২ অমদি নুপী ২১৮ পুন্না শান্নরোয় ৬৩০না শরুক য়াখিবনি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা সিনিয়র নুপাগী কেজি ৬৮গী কাঙলুপ্তা য়ু টি এগী এম পরৈহনবনা গোল্ড অদুগা সাইআর সীগী এন ৱিলসননা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। সী টি আইগী এস অচৌবা অমদি সাই আর সীগী টি ঐচ বিনাশনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

কেটেগোরি অসিগী কেজি ৮৭কী কাঙলূপ্তা নম্বোলগী দব্লিয়ু আর্সননা গোল্ড অদুগা য়ু টি এগী তোইজম তোন্দোনসনানা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

সিনিয়র নুপীগী কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা য়ু টি এগী বিনিতা লাইশ্রম অমদি এস লমঙানবীনা গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ফংখি। সাই আর সীগী হুইদ্রোম মেমথোই অমদি কে টি এগী লিন্দা ৱাহেংবমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। কেজি ৭৩গী কাঙলূপ্তা য়ু টি এগী মাইবম জোলিকানা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ৫৯গী কাঙলূপ্তা সাই আর সীগী এম য়াইখোম্বনা গোল্ড অদুগা এন এস এগী ঈরাকেশনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। সী টি আইগী এন সুর্দিপ অমদি আই এম আর টি এগী চিংলেনসনা নাওরেমনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি। কেজি ৭৮গী কাঙলূপ্তা মার্জিংগী থৌনা মঙাংনা গোল্ড, বাশিখোংগী তোইজম বিজেননা সিলভর অমদি ঐচ টি এগী টি খাগেম্বা মীতৈনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

জুনিয়র নুপীগী কেজি ৫২গী কাঙলূপ্তা এন এস এগী হাফিজ কাহতুন অমদি লাইশ্রম লক্কি চনুনা গোল্ড অমদি সিলভর অদুগা সাই আর সীগী জি মেমথোই অমদি য়ু টি এগী অরাম্বম প্রিসিলানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ৬৮গী কাঙলূপ্তা এন এস এগী ইরেংবম চিংঙুলৈমনা গোল্ড মেদল ফংখি।

সব-জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ২৭কী কাঙলূপ্তা এ এস টি এগী এন মোরাম্বনা গোল্ড, থৌবালগী এস ইমোবনা সিলভর অদুগা পি টি এগী থোইহেনবা অহন্থেম অমদি য়ু টি আইগী সিংহেনতা চোংথামনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। কেজি ৩২ কাঙলূপ্তা পি টি এগী থোঙাম তুলজিৎনা গোল্ড, এ এস টি এগী টি খাঙেম্বনা সিলভর অদুগা এন টি এগী উশম মঙাল অমদি এন এল টি টি এসকী তোমথিনঙানবা এননা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংখি।

সব-জুনিয়র নুপীমচাগী কেজি ২৪গী কাঙলূপ্তা পি টি এগী লিম্থোইঙানবী লৌরেম্বমনা গোল্ড, য়ু টি এগী য়াইসনা তখেল্লম্বমনা সিলভর, এ এস টি কেগী টি ঐচ তোমথিনঙানবী অমদি পি টি এগী বি লক্কিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। কেজি ২৯গী কাঙলূপ্তা কংলাগী খ্বাইরাকপম চানবীনা গোল্ড, বি টি এগী য়াইচেনবী খাঙেম্বমনা সিলভর অদুগা লমশাংগী এল ভেলেন্তিনা অমদি সেকমাইগী কোইজম লনচেনবীনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

কেদেট নুপামচাগী কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা এন এস এগী নিটিশ ৱারিবমনা গোল্ড, আই সী এল টি এগী এম মালেমঙানবনা সিলভর অদুগা ঐচ টি এগী সেঞ্জম গেলেলিও অমদি এন এস এগী এ লনচেনবনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা এন এস এগী এন তোম্বনা গোল্ড, ঐচ টি এগী সী ঐচ নিখিলনা সিলভর অদুগা রিয়ালগী নোংমাইথেম অভিনাশ অমদি বাশিখোংগী এস গুলিভরনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

কেদেট নুপীমচাগী কেজি ৪৪গী কাঙলূপ্তা সী টি আইগী জেসিকা রাজকুমারীনা গোল্ড, য়ু টি এগী সোমা নোংমাইথেমনা সিলভর, বি টি এগী য়ুম্নাম সোনিয়া অমদি সেকমাইগী থৌদেম দোল্লিনা ব্রোঞ্জ মেদল অদুগা কেজি ৫১গী কাঙলূপ্তা এন এস এগী এন রেবিকানা গোল্ড, আই এম আর টি এগী কাংজম টানিয়ানা সিলভর অদুগা এন এস এগী এস ঐচ খৃষ্টিনা অমদি য়ু টি এগী মোইরাংথেম সনাথোইনা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর কোন্থৌজম গোবিন্দাসনা অথোইবা মীথুংলেন, স্পিকর থোকচোম সৈত্যব্রতনা থৌরম মপূ অদুগা ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রো অমদি নাওরিয়া পাখংলাকপগী এম এল এ, এস কেবীনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়া থোইদুনা অহানবা ওইনা থোমাস কপকী টাইটল লৌখ্রে



## য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা ইন্দিয়ন টিমদা লুপা ক্রোর ১গী মনা পীরগনি লাউথোকখ্রে

বেঙ্কোক, মে ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন টিমনা পাৱর হাউস ইন্দোনেসিয়াবু ঙসি শান্নখিবা ফাইনেলদা ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা থোমাস কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা লৈবাক অসিগী শান্নখোৎনবগী লম্দা খুমাং চাওশিনবগী অনৌবা ঈনোৎ অমা পীরগনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মেদলিষ্ট লক্ষ্য সেন, কিদম্বী শ্রিকান্থ অমদি ইন্দিয়াগী তোপ দবলস প্লেয়র চিরাগ সেথি অমদি সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দিগী প্যেরনা ১৪রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ইন্দোনেসিয়া টিমবু খূদুম চন্দুনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা টাইটল অসি লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসিগী ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সেননা এন্থোনি সিনিসুকা গিনটিংবু মনিংলোমদগী হাইগৎলক্তুনা ৮-২১, ২১-১৭, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ইন্দিয়ানা ১-০দা লীদ তৌখি।

লৈবাক অসিগী দবলসকী খ্বাইদগী ফবা রানকিরেদ্দি অমদি সেথিগী প্যেরনা অনীশুবা গেমদা মোহমদ অহসান অমদি কেভিন সনজায়া সুকামুলজোগী প্যেরবু ১৮-২১, ২৩-২১, ২১-১৯দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা ২-০দা লীদ তৌখি।

অনীশুবা সিঙ্গলসকী মেটচতা শ্রিকান্থনা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট জোনাটন খৃষ্টিবু মিনট ৪৮ চুপ্পা শান্নখিবা মেটচতা পোইন্ট ২১-১৫, ২৩-২১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা ফোঙদোল্লদুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন টিমনা পুৱারী শেমদুনা থোমাস কপকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী মীপূম খূদিংমক্তা নুংঙাইবা ফাওহল্লি। ঙসি মায় পাকপা অসিনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদা অনৌবা ঈনোৎ অমা শোয়দনা পীরগনি হায়খিবগা লোয়নননা টিমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর অনুরাগ থাকুরনা টাইটল লৌখিবা ইন্দিয়ন টিমবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা লুপা ক্রোর ১গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়া টিমনা টাইটল লৌরকপা অসিদা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা ফুটবোলগী লিজেন্দ সুনিল ছেত্রি, বেদমিন্টনগী আইকোন সাইনা নেহৱাল, হান্নগী ইন্দিয়ন হোক্কীগী কেপ্টেন ভিরেন রস্কিনিনচিংবা শান্নরোয়শিংনা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# সাউথ এসিয়ন জিট কুনে-দো মেদলিষ্টশিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): জিট কুনে-দো এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা হন্দক্তা নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা পাঙথোকখিবা ৪শুবা সাউথ এসিয়ন জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি অয়ূক খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অথোইবা মীথুংলেন, হৈরোক্কী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা থৌরম মপূ অদুগা টি দি য়ু সী ওগী প্রসিদেন্ট এল রাজেন, হেল্থ এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এ বিমোল মৈতৈ, য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর ডা. অজিৎ অমদি সোসল ৱর্কর নন্দলাল অঙোমচানা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

শান্নরোয়শিং অদুদি সলাম লিংজেলঙম্বা, কে লনচেনবা, অশ্বিনি খাঙেম্বম, টি ঐচ বোরিশ, লিসম অর্নোল্ড, লনচেনবা নোংথোম্বম, এস থোইনাও, সামোম কেনেদি, সী ঐচ নিংথেম, সিনাম খৃইসি, পি মংলেমজাও, ওক্রম জিবন, অনুশ্রি রাজকুমারী, এল গীতাঞ্জলি অমদি সী ঐচ চনচননি। অদুগা ওফিসলদা ডা. মোইরাংথেম ইবোমচা অমদি এল ইনাওবনি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল ১৪ অমদি সিলভর ১ ফংখি।

# থাংজম অরুনকুমার নেরোকা এফ সীগী প্রসিদেন্ট খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্টর্ন রিওর্গনাইজিং কলচরেল এসোসিএসন (নেরোকা) ফুটবোল ক্লবকী ঙসি অয়ূক লাইফম খুনৌ মমাং লৈকাইদা লৈবা লৈতোং শঙলেন কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম্না ৱাঙ্খেগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারবু টর্ম ২০২২-২০২৬ ফাওবগী ওইনা প্রসিদেন্ট খনখ্রে।

ডা. মোইরাংথেম মনিমোহোননা জেনরেল সেক্রেটরি, মাইবম নোবিননা ট্রেজরর অদুগা অবুজম ব্রজমণি, তাওরেম মঙ্গি, কৈশাম রামেশ্বর, ৱাহেংবম রোবিন্দ্রো অমদি নোংথোম্বম গান্ধীনা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি।

সব-জুনিয়র নেসনল ৱিমেন্স হোক্কী

# হরয়ানা, ওড়িষ্যা, ঝরখন্দ, উত্তর প্রদেশ অমদি অসাম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ১২শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব-জুনিয়র ৱিমেন্স নেসনল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা হোক্কী হরয়ানা, উত্তর প্রদেশ হোক্কী, হোক্কী এসোসিএসন ওফ ওড়িষ্যা, হোক্কী ঝরখন্দ অমদি অসাম হোক্কী মায় পাকখ্রে।



খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা পুল বিগী মেটচ অমদা কেপ্টেন বালো হোরোনা চনখিবা গোল ৫গী মতেংনা হোক্কী ঝরখন্দনা কেরলা হোক্কীবু ১০-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

স্বিটি দুংদুংনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ঝরখন্দগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। কেপ্টেন বালো হোরোনা অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা কেরলাবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩৯, ৫৪, ৫৫ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা গোল ৪ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। নিশা মিঞ্জ অমদি বিনিমা ধননা গোল ২/২ হাপচিন্দুনা ঝরখন্দনা কেরলাবু ১০-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, অয়ূক শান্নখিবা পুল এগী মেটচ অমদা হোক্কী হরয়ানানা হোক্কী জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু ১২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

হরয়ানাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদুরিয়ানা ৫, নিধি অমদি পুজানা ২/২ অদুগা ভাব্যা, পিঙ্কি রানী অমদি সেজলনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পুল দিগী অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা হোক্কী এসোসিএসন ওফ ওড়িষ্যানা হোক্কী উত্তরখন্দবু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোলশিং অদু অশিমা রৌট, প্রিয়ানকা কুজুর, কেপ্টেন সুপ্রিয়া কুজুর, পুজা রামচুরিয়া অমদি সুরেখা বহালানা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পুল সীগী মেটচ অমদা উত্তর প্রদেশ হোক্কীনা হোক্কী গুজরাটপু লাকচনা ২১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। য়ু পিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বন্দনা পটেলনা ৬, সুনিতা কুমারীনা ৫, পুস্পাঞ্জলিনা ৪, কনচন কুমারী অমদি মনিশা পটেলনা ২/২ অদুগা পিতন্বারি অমদি পুর্ণিমা য়াদবনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা পুল ঈগী মেটচ অমদা দেল্লী হোক্কী রিপোর্ট তৌরদবদগী অসাম হোক্কীনা ৫-০দা মায় পাকখ্রে।

# গ্রাসরুট ফুটবোল দে ওবজর্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ফুটবোল মশান্না অসিবু মীয়ামদা গ্রাসরুট লেভেলদগী ইনভোল্ব তৌনবা পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা এ এফ সী গ্রাসরুট ফুটবোল দে ঙসি পল্লেলদা লৈবা শাল্লোম ইংলিশ একাদেমি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ফুটবোলগী মরমদা তাকপী তম্বীখি। থৌরম অদুদা অঙাং ৭০গী মথক্তা শরুক য়াখি।

গ্রাসরুট ফুটবোল দে ওবজর্ভেসন থৌরম অদুদা দি এস এ চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চাম্না অনাল অমদি এগজিক্যুটিভ টি ঐচ জয়সিং মোন্সাং, সেক্রেটরি টি এস বেহরিম, ট্রেজরর কেল্লি মোন্সাং অমদি এগজিক্যুটিভ মোৱর্নিং সুমপিনা শরুক য়াখি।

# মিষ্টর য়নিভর্স অমদি মিষ্টর ইন্দিয়াদা শরুক য়ারুবা ষ্টেটকী এথলিটশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন মণিপুর য়ুনিটনা শীন্দুনা হন্দক্তা মহারাষ্ট্রগী পুনেদা পাঙথোকখিবা মিষ্টর য়ুনিভর্স, এসিয়া অমদি ৬০শুবা জুনিয়র অমদি মাষ্টর, ৬২শুবা সিনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াদা শরুক য়ারুবা ষ্টেটকী এথলিটশিং অমদি ওফিসলশিং ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা তরাম্না ওকখ্রে।

এথলিটশিং অদুদি মিষ্টর য়ুনিভর্সকী কেজি ৯০গী কাঙলূপ্তা গোল্ড লৌরকখিবা মোইরাংথেম রোবি মৈতৈ, জুনিয়র ওভরওল মিষ্টর ইন্দিয়া টাইটল ফংখিবা নিংথৌজম লাইওন, ক্ষেত্রিময়ুম রিঙ্কু, শাঙুবম রোক্কি, মনোহরময়ুম ত্রিনাবর্তা, ফমদোম অরুন মীতৈ, ৱাংখৈময়ুম রোনেল, ৱাংখৈমরুম চিত্তরঞ্জন, লোংজম আর্শি কুমার, খুন্দ্রাকপম সচিন, রটনাসাগর সিনহা, য়ুম্নাম তোম্বা, পাওনম রোমেশ, সমুরাইলাৎপম সচিদেব, নিংথৌজম জয়কান্ত, এস ঐচ ভারত নোংশাবা, ৱাংখেম অয়াংবা অমদি থোকচোম টোনিনি।

ওফিসলশিং অদুনা এলাংবম ইনাও, থোইদিংজম জোন, অকোইজম মনিতোন, ওইনাম প্রেমকুমার, লাইশ্রম রিশিকান্ত, লাইশ্রম বিদ্যানন্দ অমদি থোইদিংজম ফ্রেঙ্কনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা পাৎসোইগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন, আই বি বি এফ এফ মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম শিবদাসনা থৌরম মপূ অদুগা পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনীয়র নোংমাইথেম নোরেন অমদি মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী এক্টিং চ্যেরপর্সন য়াম্বেম লাবনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# বোক্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌনবা সেলেক্সন ট্রায়ল অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২২গী অয়ূক পুং ৮দা সাই এস টি সী উৎলৌদা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল সুনিলকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী বোক্সরশিংনা ট্রায়ল অসিদা শরুক য়ানবা খঙহল্লকপগা লোয়নননা থা অসিগী ২১গী নুংথিল পুং ৩দগী ৪ ফাওবা এন এস এল ৱাই সী এল নম্বোলদা ৱেথ ওনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক বোক্সরশিংনা ২০০৬কী জন্যুৱারী ১দগী ২০০৭কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা অঙাং ওইগদবনি হায়রি।

# যোগ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট অমদি দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এন এস এস সেল অনীনা খুৎশম্নদুনা শীনবা নোংমগী ওইবা যোগ প্রোগ্রাম অমা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী সেন্ট্রেল হোলদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদুদা এন এস এসকী ভোলুন্টিয়র ২০০ রোমনা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা যোগ অসানশিং প্রাক্টিস তৌখি।


থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এন্থোনি এম হাওকিপনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল দা. এম ভুবনেশ্বরীনা চ্যেরপর্সন অমদি দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী হেদ দা. আর কে চন্দ্রকুমারনা রিসোর্ছ পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

# ফেন্সিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): ওড়িষ্যাগী কটকতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা জুন ১৭তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩০শুবা জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা ফেন্সর খনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৭তা সাই তাকয়েলপাৎতা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন (এম এফ এ)গী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, এম এফ এগী সেলেক্সন রুলসকী মতুংইন্না ইলিজিবল ওইবা ফেন্সরশিংনা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক পুং ৭তা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এম কুমারদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 454

**Joel Korf (1134) - Maik Henkel (1000)**
**DSOL 10. Liga Endrunde play.chessbase.com, 2022.05.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 dxe4 | 4.Nxe4 Bf5 |
| 5.Ng3 Bg6 | 6.Nf3 Nf6 | 7.Bg5 e6 | 8.Nh4 Nbd7 |
| 9.Nxg6 hxg6 | 10.c4 Bb4+ | 11.Bd2 Qa5 | 12.a3 Bxd2+ |
| 13.Qxd2 Qxd2+ | 14.Kxd2 c5 | 15.Kc3 cxd4+ | 16.Kxd4 Rh4+ |
| 17.Kc3 Rc8 | 18.Rd1 Ne5 | 19.b3 b5 | 20.Rd4 Nd5+ |
| 21.Rxd5 exd5 | 22.Be2 dxc4 | 23.bxc4 Nxc4 | 24.Kb4 a5+ |
| 25.Kxb5 Nxa3+ | 26.Kxa5 Nc4+ | 27.Ka6 Rb8 | 28.Re1 Kf8 |
| 29.Bd3 Ne5 | 30.Rxe5 ... | | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 453 Ans. :**

21. ...Rxe8 22. Qxh7+ The white queen captures Black's pawn, which was defending Black's pawn. Nxh7 23. Nxf7+ The white knight captures Black's pawn, which was defending Black's pawn. Kg8 24. Ne5+ With a discovered check by the white bishop. Kh8 25. Nxg6#Dragonfly mate
22. Qxh7+ Nxh7 23. Nxf7+ Kg8 24. Ne5+ Kh8
25.Nxg6#
1-0

CUET
COMMON UNIVERSITY
Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)
FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 16th May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- 7.00 am - 9.30 am & 2.00 pm - 3.15 pm
NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)
SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mock Test Session
3) Supply Study Materials
3) CUET-CBT Practice Session
For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846
HL-B/7608/5-12

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2022-23
XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)
SUBJECT:-
PHY, CHEM, BIO, MATHS, ENG, MAN, H. SC., C.SC.
Form Issue : 20/04/2022
Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm
Class Commencement : 09/05/2022
AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS
FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)
Contact No. - 8258013846
HL-B/7608/5-12

SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPERMARKET
1st POSITION HOLDER
2nd POSITION HOLDER
SHOPHIYA ASEM
ADMISSION OPEN
BOSEM/COHSEM/CBSE
Separate class
SCIENCE,ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START :18th May, 25th May,30th May 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
TEACHERS WANTED
PHYSICS,CHEMISTRY,BIOLOGY
M.sc. working in CBSE school
HL-B/7641/12/5-9/7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com